### পুপু কপ অন্দর-১৭ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# বি এস সী ইন্দিয়ন আর্মি খাবম্না ৱাই এল এল খুন্দ্রাকপমবু ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ : পুপু পুংদোংবম্না শিন্দুনা পুংদোংবমদা লৈবা লমলাই হায়স্কুল গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা পেরদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু কপ) অন্দর-১৭ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা বি এস সী ইন্দিয়ন আর্মি খাবম্না ৱাই এল এল খুন্দ্রাকপমবু ৩-১ দা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা মঙাল এফ এ খাবম্না ৱক্ক ওভর ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা বি এস সী ইন্দিয়ন আর্মি খাবম অমদি ৱাই এল এল খুন্দ্রাকপম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি।

মেচ হৌখিবা ইকুই কুইদনা বি এস সীনা মায়োক্নখিবা ৱাই এল এলগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৫ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখিদুনা ১-০ দা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাখি। বি এস সীনা গোল চনখিবগী লৈতাদ্রবা ৱাই এল এলনা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক মখোয়গী মতিক মথৌনা পুথোক্তুনা শান্নরকখি অদুবু অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা শোত্থনা লৈখি। বি এস সীসু অহেনবা গোল চনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা বি এস সীনা মমাঙ হাফতগী হেন্না কন্না শান্নরক্তুনা গোল চন্নবা হোৎনরকখি। ৱাই এল এলসু কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা বি এস সীগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩২ চৎপা মতমদা রোমিওনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।

বি এস সীনা মখা তানা এটেকশিং তৌদুনা মায়োক্নখিবা টিমবু মায়থীবা পীননবা হোৎনরকখি। মখোয়না তৌখিবা শাফু কল্লবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩৪ চৎপা মতমদা পিটরনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ২-১ দা মাঙজিল থাখি।

বি এস সীনা হনবা লৈতনা তৌখিবা এটেক্তা অমুকসু হন্না মেচকী মিনিট ৪২ চৎপা মতমদা সিটলজিৎনা গোল অমগা চনখিদুনা ৱাই এল এলবু মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা বি এস সীগী সিটলবু মেচকী মিনিট ৪৩ চৎপা মতমদা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক রেফ্রিনা কোসন পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা ৱাই এস এফ কাইরং অমদি মঙাল এফ এ খাবম অনীনা শান্নগদবা মেচ অদু ৱাই এস এফ কাইরং লাক্তবদগী মঙাল এফ এ খাবম্না ৱক্ক ওভর ফংখি।

# গুজরাটনা মণিপুরবু ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ :

ওদিষানা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ২২ দগী চত্থরকখিবা ৫১শুবা জুনিয়র নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ (বোইজ) ফোর ডোক্তর বি সী রোয় ট্রোফি ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেচতা গুজরাটনা মণিপুরবু য়াম্না লায়না ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী থৌশিল মখাদা ফুটবোল এসোসিএশন ওফ ওদিষানা শিন্দুনা চত্থবনি। টুর্নামেন্ট অসি মে ৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মণিপুরনা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ দিদা চান্দিগর, গুজরাট, কর্ণাটকাগা পূন্না তামিন্নরি।

ওদিষাগী কট্টক্তা লৈবা রিভেন্সো য়ুনিভর্সিটি গ্রাউন্দদা ঙসি চত্থখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা গুজরাটনা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখিবনা মেচ অদু দোমিনেট তৌনা চৎখি।

মখোয়না মণিপুরগী মায়কৈদা অতৎ অখম লৈতনা এটেকশিং তৌদুনা গোল চন্নবা হোৎনরকখি। মণিপুরসু মায়োক্নখিবা গুজরাটকী মায়কৈদা গোল এটেম্পশিং তৌখি। অদুবু টিম অনীমক্না অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা গুজরাটনা টেম্পো লৈনা শান্নরকখি। মখোয়না মণিপুরগী মায়কৈদা তৌখিবা অকনবা শাফু শিংদা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখি।

গুজরাটনা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৫২ চৎপা মতমদা প্রিটেশ সেট্টিনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। গোল চনখিবা মিনিট মঙাগী মতুংদা গুজরাটকী অঙ্কিট থাকুরনা মেচকী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনখিদুনা ২-০ দা লৈখি। মণিপুরসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা গুজরাটকী সাইদতা চঙশিনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক অমদা মণিপুরগী নাওচানা মেচকী মিনিট ৭৫ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিখিদুনা ১-২ দা গুজরাটকী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

# ৱর্ল্ড ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তা ক্ষেত্রিময়ূম য়ুগেশ্বর শরুক য়ারুগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ : জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ স্পোর্টস, রিপব্লিক ওফ চিনা টাইৱান, ন্যু টাইফৈ সিটি গভর্ণমেন্ট অমসুং টাইৱান ৱুশু এসোসিএশন্না পূন্না খূৎশম্নদুনা এপ্রিল ২৯ দগী ৩০ ফাওবা ন্যু টাইফৈ সিটিগী বঙ্গাও জিম্নাজিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা টাইৱান ৱর্ল্ড কপ, ৱর্ল্ড ৱুশু চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা শরুক য়ারনবা মণিপুরগী গ্রান্দ মাষ্টর ক্ষেত্রিময়ূম য়ুগেশ্বরবু চেবোউ পীরক্লে হায়রি।



ৱর্ল্ড কপ, ৱর্ল্ড ৱুশু চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা মাষ্টর য়ুগেশ্বরনা চহী ৩৫ দগীনা ৪৫ ফাওবগী কাঙলুপ্তা চাঙক্লান অমদি দাওশুদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা য়ারুগনি।

গ্রান্দ মাষ্টর য়ুগেশ্বরবু চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারনবা খঙহল্লকপদা ইন্দিয়া কৌশু ফেদরেসন অমদি ওল মণিপুর খোশু এসোসিএশন্না হরাউ তরাম্না ফোঙদোরক্লি।

## খো-খো ট্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ :

মহারাষ্ট্রনা য়ূম্বু ওইদুনা নাসিক্তা মে ২৫ দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৮ শুবা সব জুনিয়র নেসনল খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৬-১৭ তা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর অমেচর খো-খো এসোসিএশনগী নুপামচা অমদি নুপীমচাগী খো খো টিম শেম্নবা ট্রাইএল কম সেলেক্সন টেষ্ট অমা থা অসিগী ৩০ গী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ট্রাইএল সেলেক্সন অসিগীদমক মণিপুর অমেচর খো খো এসোসিএশন্দা এফিলিএট তৌরবা য়ুনিটশিংনা সব জুনিয়র প্লেয়রশিং থারক্নবা এসোসিএশন অসিনা খঙহল্লক্লি। অমরোমদা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএশনগী য়াথং মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট খো-খো এসোসিএশন শেম্বগী থবক মণিপুর অমেচর খো খো এসোসিএশন্না চত্থরক্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট খো খো এসোসিএশনগী জি বি মীফম অমা লাক্লিবা এপ্রিল ৩০ গী অয়ূক পুং ১০ দা বাসু ওফিস খাঙবোক্তা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

HL-B/3812/16/4-15 june

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ -৪৬

1. অহানবা নোর্থ ইষ্ট স্পোর্টস ফেষ্টিবেল কুমজা ১৯৮৭ তা ইম্ফালদা পাঙথোকখি। গেমস অদুদা সনাগী মেদল ৬ ফংখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।
2. থোঙাম কৃতি সিংহ মেমোরিএলগী অহুল্লকশুবা ট্রোফি করম্বা স্কুলগী গ্রাউন্দা পাঙথোকখিবগে?
3. মখুরানা পাকিস্টানগী জেনরেল ওইরম্বা, মশামক্না ইন্দিয়াগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (এম পি) ওইনবা ভোট লেপ্পদা কাখিদবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌই?
4. মণিপুরগী চৎনবী মতুং ইন্না থংনবা থা অনীগী তঙ্খায় তঙ্খায় শগোল কাংজৈ শান্নবা য়ারমদে। শগোল কাংজৈ শান্নবা য়াদবা থা তঙ্খায় অনী অদুগী মমিং হায়য়ু।
5. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।











HL-B/3831/25/04-25/5




HL-B/3839/27.28/4




HL-B/3804/11/04-10/05




HL-B/3792/3/4-2/5







Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com